HUEIYEN LANPAO

Saturday, September 16, 2017, Imphal

লম-তু শীৎ শেংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫(ঐচএন এস): ৩২ শুবা বট্টালিয়ন সী আর পি এফনা ঙসি স্বাছ হি সেবাগী কেম্প্যেনগী শরুক অমা ওইনা লম-তু শীৎ শেংবগী থবক চথখ্রে হায়না ৩২ শুবা সী আর পি এফ বট্টালিয়নগী ২-আই সী কম্মান্দেন্ট সীঐচ বোবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

লাৱর কোম কৈরাপকী কৈথেলগী এরিয়াদা শীৎ শেংবগী থবকশিং চথখি। ওফিসরশিং, স্কুলগী মহৈরোয় কয়া অমদি ক্লবকী মীওই কয়াসু কেম্প্যেন অদুদা শরুক য়াখি। কেম্প্যেন অদু হৌরকপদা স্বাছ হি সেবাগী মতাংদা পার্টিসিপেন্টশিংদা ৱাফম কয়াসু থমখি হায়নসু মখা তারি।

‘শিন্মীশিংগী কান্নবা ফঙহল্লু’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫(ঐচএন এস): মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱারকর্স ৱেলফেয়র বোর্দনা রিসিপ বুক লৈতে হায়দুনা শিন্মীশিংগী থা থাগী থিগদবা কন্ত্রিব্যুসন থিহন্দ্রে হায়না ৱিমেন দিভলপমেন্ট ত্রষ্ট তাওথোং মমাং লৈকায়না ফোঙদোরক্লি।

থাগী কন্ত্রিব্যুসন অসি থিহৌদ্রবদি রেজিষ্ট্রার তৌরবা লৌমীশিংনা ফঙগদবা অঙাংশিংগী লাইরিক-লাইশু তন্বগী তেঙবাং, অনা অয়েক্কী, অশোক অপনগী অমদি য়ুম শানবগী লোন লৌবা লোয়ননা পেন্সন্নচিংবগী তেঙবাং ফঙবা ঙম্লরোই। শিন্মীশিংনা বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱার্করশিংগী কার্দ পায়রুবগী কান্নবা লৈররোই। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবীদুনা য়েংশিনবীয়ু হায়না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমাংথোঙদা নমশিল্লগা ...

লামায় ১গী মখা... ৱাহং পাউহং চথরি।

ফারবা মীওই তরুক অদু ময়াং ঙাক্তনি। মখোয় অদুদি জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী উদমপুর খুলদগী কেৱাল সিংহ (২৭) অপোকপা লেখরাস, জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী রিসি খুলদগী দুলর সিংহ (২১) অপোকপা সুরেশকুমার, পঞ্জাবকী অম্রিতসহরদগী নিরাজ (৩১) অপোকপা রতনচান্দ, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী পাচিন মিনাপুর খুলদগী রিনতু হোল্ডর (২৪) অপোকপা অরুফ হোল্ডর, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী পাচিন মিনাপুরগী কচিনগঞ্জ খুলদগী মিনতু পান (২৯) অপোকপা সুনিল পান অমসুং ৱেষ্ট পেটেনগর সেন্ট্রেল দিল্লিদগী রোহিৎ বগা (৩১) অপোকপা প্রমোদ বগানি হায়রি।

GAS TODAY

ATHOKPAM INDANE
Booking Upto:22/05/2017
Valid From:03/05/2017
Stk: 612
Timing:07.00am to 10.00am
Pls Submit Aadhaar Xerox.

CANCHI INDANE SERVICE
Booking Upto:26/05/2017
Valid From:19/05/2017
Stk 14kgs:306, Rs.700/-
Timing:08.00am to 10.00am

GBD INDANE, LAMLONG
Booking Upto:26/04/2017
Valid From:18/04/2017
Stk :612
Timing:07.00am to 10.30am

K&K INDANE SERVICE
Booking Upto:18/05/2017
Valid From:05/05/2017
Stk :612
Timing:07.30am to 11.00am
(First Come First Serve)

MM GAS SERVICE
Booking Upto:10/05/2017
Valid From:03/05/2017
Stk :612 (DBTL), Rs.700/-
Timing:07.00am to 10.00am

MAHALAKSMI INDANE SL.NO. 163
Booking Upto:31/05/2017
Valid From:04/05/2017
Stk :306 (DBTL)
Timing:07.00am to 10.00am

MAIBIA GAS, MOIRANG SL. NO. 4437 - 5020
Booking Upto:25/05/2017
Valid From:17/05/2017
Stk :306
Timing:07.00am to 11.00am

MISAO GAS SERVICE
Booking Upto:02/06/2017
Valid From:11/05/2017
Stk :612
Timing:07.30am to 10.00am

HIYANGTHANG INDANE SL. NO. 5870
Booking Upto:17/06/2017
Valid From:09/06/2017
Stk :306 , 719.50/-
Timing:07.00am to 10.00am

HEIROK INDANE SERVICE SI. No. 205860
Booking Upto:24/06/2017
Valid From:10/06/2017
Stk :306
Timing:07.30am to 11.30am

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতসু স্বাছতা হি সেবা হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫(ঐচএন এস): দিষ্ট্রিক্ট ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কম্মিটি বিষ্ণুপুর পি ঐচ ঈ দি দিভিজন অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট স্বাছ ভারত মীসন (জি) কো-ওর্দিনেটিং কম্মিটিনা শীন্দুনা স্বাছতা হি সেবা অমসুং প্লেজ টেকিং সেরিমোনি হৌদোকপগী থৌরম বিষ্ণুপুরদা লৈবা কিয়াম্বা নীংশিং শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা ওইনাম এ সীগী এম এল এ, লাইশ্রম রাধাকিশ্বর, চ্যেয়রমেন মণিপুর পোল্লুসন কন্ত্রোল বোর্দ অমসুং খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিনা চীফ গেষ্ট, দি সী বিষ্ণুপুর বোবী ৱাইখোম, চ্যেয়রমেন দিষ্ট্রিক্ট ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কম্মিটি বিষ্ণুপুরনা প্রসিদেন্ট ওইখি। পি ঐচ ঈগী দিরেক্তর, কম্ম্যুনিকেসন এন্দ কেপাসিটি য়ুনিট মণিপুরগী কেএসঐচ ললিতবাবু, পি ঐচ ঈ দিগী সুপরিন্টেন্দেন্ট কন্সলটেন্ট আর কে প্রোমিলা, এস ঈ রুরেল সর্কল-১ পি ঐচ ঈ এল ধবল্লো, পি ঐচ ঈ দি বিষ্ণুপুরগী ইগজিক্যুটিব এঞ্জিনিয়র এল গোকুলচন্দ্রনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এল রাধাকিশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০২০ দা হেল্দি ইন্দিয়া ওইনবা স্বাছতা হি সেবা অসি পায়খৎলক্লিবনি। ঙসি হৌদোক্লিবা স্বাছতা হি সেবাগী থৌদাং অসি ঐখোয় পুম্নমক শরুক য়াদুনা ৱাশক লৌমিন্নসি। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিবু লু-নান্না থম্নবগী পান্দমদা স্কীম অসি হৌদোরক্লিবনি। অকোয়বগী মফমশিং লু-নান্না থম্বনা মীওইবগী হকচাংদা কান্নবা অমদি অফবা কয়া পীরি। চাউখৎপা, মান্নবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্লা থৌদাং য়ামিন্নসি। থক্লবা অফবা ঈশিং মীপুম খুদিং পীথকপা ঙম্নবা হোৎনরি। হীরম অসিগী মতাংদা মীপুম খুদিংমক ৱাখল তামিন্নবা তঙায়ফদে।

ঙসি লৌরিবা ৱাশক অসিগা লোয়ননা মরুওইবা থৌদাংশিং খঙমিন্নবা হোৎনবা চঙই। ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, এন জি ও অমদি পঞ্চায়টনচিংবদা লৈরিবা মীওইশিংনসু থৌদাং অসি মপুং ফানা লৌরবদি লৈবাক অসি লু-নালহনবা ঙমগনি।

লমদম অসিগী লেত্রিন লৈত্রিবশিংনা কমপ্লেন্ট তৌবীয়ু। লৈঙাক্লা হীরম অসিগী মতাংদা য়েংশিন্নবা শেম শাদুনা লৈরি। লৈঙাক্লা হায়রিবসি লমদম অসিদা লেত্রিন লৈত্রিবশিং অসি শাদুনা লু-নানবা লমদম অমা ওইনা হোৎনরিবনি। লৈঙাক্কী পান্দমদি শেলসু লৌরো, লেট্রিনসু শারো হায়বনি। লু-নানবা হায়বসি ইশা ইশাদগী হৌগদবনি।

মসিগা লোয়ন লোয়ননা প্লাষ্টিক খাউ অমদি ঈশিং বোট্টলশিং অসিসু নালা অমদি তুরেলদা থাদবীগনু। মসিনা তুংদা ওইহল্লক্কদবা অকায়বা কয়া অদুসু মীয়াম্না খঙজিনবীয়ু হায়না মখা তাখি।

বোবী ৱাইখোমনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসিদগী চঙশিনবা হৌরিবা খোঙজং অসি মপুং ফানা পাঙথোক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। ঙসিদগী ঈশিং বোট্টলগী মনাক্তা দিস্পোসিবল গ্লাস থল্লম্বদুগী মহুত্তা লিক্লি গ্লাসনা মহুৎ শীল্লে। লু নান্নবা চথবা খোঙজংনিনা ঐখোয়গী ৱাখলসু হোংদোকপা মতম ওইরে। টার্গেট অমা থমদুনা ঐখোয় ঐখোয়গী ৱাখল হোংদোক্লবা হোৎনসি।

ইন্দিয়া অসিসু চাউখৎলবা লৈবাক অমনি। ইশা ইশানা তৌরিবা থবক অসি জিও টেক্টতা খঙবা ঙম্লবনি। অদুনা লেট্রিন শারমদবা লৈরবসু পাউ পীবীরকউ। হোস্পিটাল, ৱেট্টিং সেদ, ওফিস অমদি পব্লিক্কী ওইবা মফমশিংদসু লু নাবগী থৌরম অসি পাঙথোকসি। মসিদা আই এম সীনসু অচৌবা থৌদাং লৌবীয়ু। ঙসিদগী হৌদোক্লিবা স্বাছতা হি সেবা অসি য়াম্না কান্নবা পীবা খোঙথাংনি। মরম অদুনা অসিগুম্বা মীসন অসি তুং কোয়না চৎননবা হোৎনসি। ঐখোয়গী পুন্সিদা মথৌ তারিবা ঈশিং বোট্টলশিং অসি নিয়ম চুম্না শীজিন্নসি, মফম চানা লংথোকসি হায়না মখা তাখি।

থৌরম অদুদা তিনখিবা মীয়ামগা লোয়ননা এম এল এ, এল রাধাকিশ্বর অমসুং দি সী বিষ্ণুপুর বোবী লোয়ননা ওফিসরশিংনা লুচিংদুনা লু নান্নবা হোৎনমিন্নরসি হায়বগী ৱাশক লৌমিন্নখি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না স্বাছতা হি সেবা কেম্প্যেন হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫(ঐচএন এস): অকোয়বগী ফিভম লু-নান্না থম্নবগী এৱ্যেরনেস শন্দোকপা অমদি লু-নানবগী থবক পায়খৎনবগী স্বাছতা হি সেবা কেম্প্যেন ঙসি চীফ মিনিষ্টরনা হৌদোকখ্রে।

ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা ঙসি কিংস ইংলিস স্কুল কোইরেঙ্গৈদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না স্বাছতা হি সেবা কেম্প্যেন লোঞ্চ তৌখি। চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা স্বাছ হি সেবাগী ৱাশকসু লৌমিন্নখি।

অকোয়বগী ফিভম লু-নান্না থম্বা, ওপন দিফিকেসন লৈহন্দবা অমদি সেনিটেসন্নচিংবগী থবক কয়া পায়খৎনবগী মতাংদা ৱাশক লৌমিন্নখি।

থৌরম অদুদা পি ঐচ ঈ মিনিষ্টর লোসি দিখো, এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরি (ফোরেষ্ট) শম্ভু, প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জর্বেটর ওফ ফোরেষ্ট কে অঙ্গামিসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। চীফ মিনিষ্টর য়াওনা স্কুল অদুগী কেম্পসতা শীৎ-শেংবগী দ্রাইব চথবা হৌদোকখি। কেম্প্যেন অসি মথং থাগী ২ দা লোয়শিনগনি।

অমরোমদা, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতসু স্বাছতা হি সেবাগী থৌরম হৌদোকখ্রে। কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী দি সীগী মল্টি পর্পজ হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কেম্প্যেন অদু হৌদোকখি। প্রোগ্রাম অদু দিষ্ট্রিক্ট ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কম্মিটি, কাংপোকপী পি ঐচ ঈ দি দিভিজন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা সদর হিলস ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী চ্যেয়রমেন হাওখোলান হাউসিং, কাংপোকপীগী দি সী টি রঞ্জিৎ, সী ঈ ও থাংবোই হাওকিপ, এদিস্নেল এস পি কাংপোকপী লালবোই হাওকিপ, এ দি সী কাংপোকপী বালকৃষ্ণনা মথংশিৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী দি এল ও, সী এস ও অমদি আশা ৱার্কর কয়াসু শরুক য়াখি।

জর্নেলিষ্ট গৌরি লঙ্কেস হাৎপা য়ানিংদে: এসোসিয়েসন

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫(ঐচএন এস): কানারা জর্নেলিষ্ট, রাইটর অমসুং প্রোগ্রেসিব এক্তিভিষ্ট গৌরি লঙ্কেসপু থা অসিগী ৫ দা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী থৌওংবু ওল মণিপুর পি ঐচ ঈ দি ৱারকর্স ইমপ্লোয়ীজ এসোসিয়েসন্না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর পি ঐচ ঈ দি ৱারকর্স ইমপ্লোয়ীজ এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট সাপম সমুঙৌনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, অসিগুম্বা থৌওং অসি মালেমদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক্লা য়ানিংদবা ফোঙদোকফম থোকই। ইন্দিয়াদা ১৭ শুবা চহীচাদা পাউচে ফোঙবা হৌবদগী অদুগা মণিপুরদা ১৯ শুবা চহীচাদা পাউচে ফোঙবা হৌবদগী ঙসি ফাওবদা রিপোর্টর, এদিটর অমসুং জর্নেলিষ্ট কয়া ওৎ নৈবা অমদি হাৎপগী থৌদোক কয়া থোকখ্রে। অসিগুম্বা থৌওং অসিগীদমক মীয়াম হৌদুনা জর্নেলিষ্টশিংগীদমক্তা চোংথোক্তুনা লেপখিবা করম্বা ষ্টেট নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটোরি লৈখ্রবগে। দেমোক্রেসিদদি মীদিয়া অসি দেমোক্রেসিগী থৱায়নি। মদুনবু মীপুম খুদিংমক্লা হায়নিংবা, ঙাংনিংবা খুদিংমক মীদিয়াগী মীহুৎশিং কৌরগা প্রেস মীট নৎত্রগা প্রেস কনফরেন্স কৌদুনা অনিংবা, অপাম্বশিং অদু ফোঙদোক্নরি। খুন্নাই অমা, লৈবাক অমা নৎত্রগা ষ্টেট অদু চাউখৎলিবা অসিগী মায়োক্তা ঙসিগী মালেমদা জর্নেলিষ্ট হাৎপা, তুপ্পা তৌরিবা অমদি মখোয়বু হন্থবা থাক্তা থল্লিবা অসিনা তাকপদি ইন্দিয়া অমদি মণিপুর হায়বসি করি করম্বা ফিভমদা মীয়াম অসি লৈরিবগে হায়বদুনি।

ঙসিগী চাউখৎলবা ২১ শুবা চহীচা অসিদা ইন্দিয়া অমদি মণিপুরদা জর্নেলিষ্টশিংনা থেংনরিবা কয়া অসি থম্মোয় শোক্লিংঙাইনি। মীয়াম্না জর্নেলিষ্টশিংগীদমক্তা কখোকপা ঙম্লবা মতম অদুখক্তদা চাউখৎপা ইন্দিয়া অমসুং চাউখৎপা মণিপুর ওইগনি। জর্নেলিষ্ট নুপী গৌরি লঙ্কেসপু মীনুংশি হৈতনা হাৎখিবা থৌদোক অসি অমুক হন্না ইন্দিয়াদা থোক্তবা ওইসনু হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অহোংবা, য়াইফবা পুরক্লবা ...

লামায় ১গী মখা... মরী লৈননা পাঙথোকপনি। মোকশাগুন্দর ভিসভেসভারায়ানা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা চাউখৎ থৌরাংগী অঙকপা থবক কয়া পায়খৎলমখি। মালেমগী থাক্তসু মহাক্লা ঈশিংগী পুক্কৈবু য়োকখৎপগী মতাংদা পুথোকখিবা ৱাখল্লোনগীদমক মীয়াম্না শকখঙনরবা মীওই অমনি। তুরেলগী মথক্তা শাবা দাম, থোং অমদি তোঙান তোঙানবা থবক কয়াগী দিজাইন কয়া তৌদুনা শাখ্রে। ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা ইরিগেসন অমদি থক্লনবা ঈশিং পীনবগী লম্বী য়াৎতুনা ইরিগেসন সিষ্টেমদা অহোংবা কয়াসু পুরকপা ঙমখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী হৌরকপদা চীফ গেষ্টনা লুচিংদুনা মোকশাগুন্দর ভিসভেসভারায়াগী শক্তমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। জে ঈ আর সী মণিপুর অমদি মিজোরামগী হান্নগী চ্যেয়রমেন এন শ্যামসুন্দরনা, চাউখৎলক্লিবা ইন্দিয়াদা এঞ্জিনিয়রশিংগী থৌদাং হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা ইন্সটিট্যুসন ওফ এঞ্জিনিয়র্স ইন্দিয়া মণিপুর চেপ্তরগী চ্যেয়রমেন কেঐচ তেম্বনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

টেক্নিকেল এদ্যুকেসনগী কন্ত্রোল্লর এম ইবোমচা, এম আই টি তাকয়েলগী প্রিন্সিপাল ডা. আর কে হেমাকুমার, পোলিটেক্নিক তাকয়েলগী প্রিন্সিপাল আর কে নন্দোসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

চাউখৎ-থৌরাং য়াঙশিন্নবা ...

*লামায় ১গী মখা...*এৱ্যেরনেস পীবগী থবক কয়া পায়খৎতুনা হীরম অসিদা মীয়ামদা খঙহনবগীদমক থাগৎলি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা লো মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, জুদিসিয়েলগী লৈরিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎনবগীদমক চঙবা য়াবা মীৎয়েং চঙননবা হোৎনগনি। জুদিসিয়েল একাদেমী অসিসু মপুং ফানা থবক তৌহন্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি। নৌনা হৌগৎলক্লিবা লোয়রশিংনা হীরম অসিদা নীংথিনা খঙননবা হোৎনগদবনি। এদভোকেট অমা ওইবগী ইথিক্স নীংথিনা ঙাক্লা চৎতুনা মগুণ লৈনা থবক তৌবা চঙই। ওল মণিপুর বার এসোসিয়েসনগী তঙায়ফদবা অৱাৎ অপা কয়াশিংসু মেনশিন্নবা থবক কয়া পায়খৎনবা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়খি, এগজিক্যুটিব অমদি জুদিসিয়ারি পুন্না চৎমিন্নবনা দেমোক্রেসিগী ফজবা অদু ফোঙদোকই। জুদিসিয়েল সিষ্টেম মপাঙ্গল কলহন্নবা লম্বী অমদি পান্বৈ পুথোক্লবা হোৎনগদবনি। ইনফোর্মেসন, এদ্যুকেসন অমদি কম্ম্যুনিকেসনগী খুথাংদা থবক থৌরম কয়াসু লৌখৎপা তঙায়ফদে। লিগেলগী ওইবা থবক্তা নুপী ওইবী কয়াসু শরুক য়ারক্লি। মসি য়াম্না পুক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী হৌরকপদা তিনখিবা মীয়াম্না অম্বাগী লৈখিদ্রবা মেম্বরশিংগী মফমদামিনিট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না লুচিংদুনা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুদা অম্বাগী প্রসিদেন্ট সেনিয়র এদভোকেট ঐচ চন্দ্রজিৎ শর্ম্মানা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস (এক্তিং) জষ্টিস এন কোটিশ্বর, হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজ জষ্টিস কেঐচ নোবিন, এদভোকেট জেনরেল এন কুমারজিৎ, বার কাউন্সিল ওফ মণিপুরগী চ্যেয়রমেন এদভোকেট ও মোধুচন্দ্র অমদি সেনিয়র এদভোকেট ঐচ এস পাউনমসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

স্বাছতা হি সেবাগী খোঙচৎ ...

*লামায় ১গী মখা...*অনা-লায়েংশঙ, বস ঙাইফম, পুখ্রি অমদি মীয়াম তিনবা মফমশিংদা থম্লবা হোৎনসি। য়ুমথোঙ খুদিংদা সেনিটরি লেট্রিন শানবা হোৎনরি। হান্নগী হৈনবী হোং-দোক্তুনা লেট্রিন শীজিন্ননবা হোৎনবনি। চারমদাইদা খুৎ শেংনা হামদোকপগী হৈনবী লৈহনসি। মহি অমসুং মপংগী অমোৎপশিং মফম চানা থমসি। প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং মৈ থাবগী মহুত্তা খোমজিন্দুনা ফেক্টরিনচিংবদা থানবা হোৎনসি। থৌরম অদুদা সী সী দি এমগী দিরেক্টর কে এস ঐচ ললিতাবাবুনা হায়খি, লু-নানবা হায়বসিদা ৱাশক অমগা লোয়ননা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নবা অমদি থৌদাং লৌমিন্নরসি। কুমজা ২০২০ ফাওবগী মনুংদা লু-নানবা ইন্দিয়া, হেল্দি ইন্দিয়া ওইহন্নবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থল্লিবা পান্দম অসি ফংনবা ঐখোয় খুদিংমক্লা হোৎনমিন্নসি।

ঙসিগী রেল্লি অদু পি দব্লিয়ু দি ওফিসতগী লমথারগা কংলা গেট ফাওবা লাক্লবা মতুং জি এম হোলদগী অমুক ওফিস অসিদা থুংখি। রেল্লি অদুদা পি দব্লিয়ু দি, সী সী দি এম, পি ঐচ ঈ দিগী ষ্টাফশিং শরুক য়াখি।

হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবশিংগী...

লামায় ১গী মখা... অনৌবা লৈঙাক অসি থা ৫ মপুং ফারে। তেল্লবা মতম অসিদা লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা থবক থৌরম পুম্নমক মীয়াম্না ময়েক শেংনা উবা ফংলে। অনৌবা লৈঙাক্কী মায়োক্তা ৱা ঙাঙদুনা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবা খজিক্তং ঙনমল্লি হায়না পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি ফৈ নৎত্রগা ফত্তে হায়বদু মীয়াম্না লেপকদবনি।

কোংগ্রেসনা পায়খৎলম্বা স্কিম কয়া বি জে পি লৈঙাক্লা মমিং ওন্থোক্লগা মীয়ামগী মতেং ফংনবা হোৎনরে হায়বা ৱাফম অমবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, প্রধান মন্ত্রি উজৱালা যোজনা অসি কোংগ্রেসকী মতমদা হৌদোক্লম্বা নত্তে। মরম চাদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লগা মীয়াম্বু অপংবা শীবগী থৌওং মতমগা চুনদ্রে। পুকচেল শেংনা মীয়াম্না উগদবা মওংদা পোলিটিক্স তৌবগী মতম ওইরে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা চহী ৩দা পায়খৎখিবা শেমগৎ শাগৎপগী থৌরাং কয়া ইন্দিয়াগী মীয়াম্না ময়েক শেংনা উবা ফংলে হায়না পল্লদুনা মহাক্লা হায়খি, ষ্টেট অসিদসু বি জে পিনা লূচিংবা লৈঙাক্লা হৌখিবা থা ৫গী মনুংদা পায়খৎখিবা থবক থৌরমশিং মণিপুরগী মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে।

রোহিঞ্জা রেফ্যুজি চঙশিল্লকপগী মতাংদা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ঙমখৈগী শরুক মরুওইনা মোরে, জীরিবাম অমসুং বেহিয়াংদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখত্তুনা রোহিঞ্জা মুস্লিমশিং মণিপুরদা চঙলকপা ঙমহন্দনবা হোৎনরি। ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দরগী শম্বল খাদবা শরুক্তা অসাম রাইফলস, ষ্টেট সিক্যুরিটি ফোর্সেস অমদি অতৈ সিক্যুরিটি এজেন্সীশিংনা মীৎকুপ-নাহুম শীংনা শেল্লি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ঙমখৈ লানশিল্লকপা রেফ্যুজি ফাবা থোক্লবদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ওথোরিটিদা শীন্নরগা মরৈবাক্তা হলহনখিনবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়রি।

মশীং য়াল্লবা মীয়াম্না চীফ মিনিষ্টর উনবা লাকপদা খুদোং চানবগীদমক চীফ মিনিষ্টরগী কমপ্লেক্স মনুংদা লৈবা গাড়ী থাফমদা সী জি আই সীট খন্দুনা অচৌবা মাণ্ডপ অমা শেমখি। মীয়ামদা ঈশিং, চা অমদি চানবা পোৎলম কয়াসু ফংহনখি।

খুদোংথিবা থোরকপা মতমদা মতেং পাংনবগীদমক এম্বুলেন্সকা লোয়নবা মেদিকেল টিম অমা অমসুং মণিপুর ফায়র সার্বিসকী টিম অমা কমপ্লেক্স মনুংদা থৌরাং তৌদুনা লৈহনখি।

হৈরোক্তা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা মীয়ামগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫(ঐচএন এস): লৈকোল কম্ম্যুনিটি হোল হৈরোক্তা মীয়ামগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্তুনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যামনা মীয়ামগী ৱাকৎ কয়া তাখ্রে।

এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা, মীয়ামগী হায়নিংবা ৱাফম কয়া তাননবা অসিগুম্বা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। লমদম অসোমদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বা নোংমগী শু-নোম্লগা শেল তাল্লিবনি। নোংমগী মতম হায়বসি মখোয়গীদমক য়াম্না মরুওই। মতম মাঙদনবা অমদি শেল তিংদনবগীদমক হৈরোক্তা অসিগুম্বা মীয়ামগী নুমিৎকী প্রোগ্রাম অসি দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী মীৎয়েংগা লোয়ননা পাঙথোকপনি।

মীয়ামগী নুমিৎ অসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট ১৪ গী ওফিসলশিংনা ষ্টোল হাঙদুনা মীয়ামগী ইনফোর্মেসন কয়া খঙহল্লি। মীয়ামগী নুমিৎ অসিদা দিপার্টমেন্টকী মীওই কয়ানসু তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট অমদি স্কীমগী মতাংদসু মীয়ামদা খঙহল্লি। মীয়ামগী নুমিৎ অসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল অমদি হৈরোক য়ুনাইটেদনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি। মীয়ামগী নুমিৎ অসিদা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী মীওই কয়া লাক্তুনা শরুক য়াখি। মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক তোঙান তোঙানবা স্কীম কয়া অমা লৈরি হায়নসু ফোঙদোকখি। তুংদা মিনিষ্টরনা য়াইরিপোক বামোন লৈকায় কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকপা বর্থ এন্নিভর্সরিগী থৌরম অমদা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা মিনিষ্টরনা জর্নেল অমদি লাইরিক অহুম ফোঙখি।

থৌরম অদুদা য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরিগী রঘুবির, প্লেরাইট কালিমোহোন, সাহিত্য একাদেমী এৱার্দি ক্ষেত্রি বিরা, থৌবাল কোলেজগী রিটায়র্দ প্রিন্সিপাল এন গন্ধারসু শরুক য়াখি।

নোইদাদা মণিপুরী অমা শিখিবগী মতাংদা নেফিসনা প্রোটেষ্ট চথখ্রে

NEFIS
#Justice
For
Pravish
NEFIS
#Justice
For
Pravish
NEFIS
Why his body was cremated without informing family!
#Justice
ForPravish
NEFIS
Why his body was cremated without informing family!
#Justice
ForPravish

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫(ঐচএন এস): নোইদাদা মণিপুরী নহা অমা শিখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা নোর্থ ইষ্ট ফোরম ফোর ইন্টরনেসনল সোলিদরিটি (নেফিস) না দি এ এম এম এসকা লোয়ননা গৌতম বুদ্ধ নগর সেনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ওফিসতা প্রোটেষ্ট চথখ্রে হায়না নেফিসকী কনভিনর চিংলেন্না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নহা অদু শিখিবা থৌদোক্কী মতাংদা পুলিসকী নেগ্লিজেন্স লৈখি হায়না প্রোটেষ্ট চথখি। নেফিস মণিপুরী য়ুনিটনসু খুমন লম্পাক ইম্ফালদা কন্দোলেন্স মীটিং অমা পাঙথোকখ্রে। প্রবিসকী মীশি অসিগী মতাংদা জষ্টিস পুরক্লবা দিমান্দ তৌরি। প্রবিস হায়রিবা মীওই অসি দিল্লিদা লাকখিবনি। মহাক্কী মরুপ অমগা লোয়ননা থা অসিগী ৮ দা পার্কতোদা ম্যুজিক কন্সর্ট অমা য়াওমিন্নরম্বদগী মাঙখিবনি। মহাক শোক্লগা নুমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তাবদা ভিম রাও অমবেদকর হোস্পিটালদা লৈরমখি। মফম অদুদা ফর্ষ্ট এইদ পীখি। প্রবিসকী মীশিগী থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসকী চেকশিন্দবা কয়া লৈরব্রা হায়বগী ৱাফম লাক্লি। মরাল লৈবশিং থিগৎপীয়ু হায়রি।

নোইদা পুলিসকী চেকশিন্দবা থৌওংশিং অসি কন্দেম তৌই। লোয়ননা হান্না মীশি অসিগী মতাংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে। কেস অসি মণিপুর গভর্নমেন্টনা খুৎ থিংজিনবীদুনা সী বি আইদা শীন্নবিনবা তকশিনবীয়ু হায়রি। নেফিসনা প্রেসর পীরকপদগী নোইদা পুলিসকী ওফিসর অহুম সস্পেন্দ তৌখ্রে। নোলেজ পার্ককী এস ঐচ ওসু ত্রান্সফর তৌখ্রে। প্রবিস মীশিগী মতাংদা জষ্টিস পুরকপা পাম্মী হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পাসপোর্ট অমুক হন্না পীগদবনি: কোর্ট

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৫(এজেন্সী): মপান্দা চহী ২৩ লৈরক্লবা মণিপুরী মতৈ-মনাওদা পাসপোর্ট পীখিনবা দিল্লি হায় কোর্টনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা য়াথং পীখ্রে।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না মণিপুরী মতৈ-মনাও অদু কুমজা ১৯৯৪দা থাইলেন্দদা চৎখিবনি। মফম অদুদা নুপী অদুগী পাসপোর্ট মাঙখিবদগী ইন্দিয়াদা হল্লকপা য়াদনা লৈরকখিবনি।

ওগষ্ট ২৮দা পীখিবা ৱায়েল অমদা দিল্লি হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস গীতা মিতাল অমদি জষ্টিস সী হরি শঙ্করগী বেঞ্চনা মতৈ-মনাওদা পাসপোর্ট পীখিনবা সেন্টরদা য়াথং পীখি।

কুমজা ১৯৯৪দা মণিপুরদগী লুইঙম লুইথুই অমদি মহাক্কী লোয়নবীনা বেঙ্কোক্তা কোয়বা চৎখি। মফম অদুদা নুপী অদুগী পাসপোর্ট হুরানবীখি। মতৈ-মনাওনা ইন্দিয়ন এম্বেসিদা দুপ্লিকেট পাসপোর্ট পীবিনবা হায়জখিবদা অয়াবা পীখিদে।

সোর্ছ অমগী মতুং ইন্নদি নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সীল ওফ নাগালেন্দ (এন এস সী এন)গী লূচিংবশিংগা মরী লৈনবা মরম্না মতৈ-মনাওদা পাসপোর্ট পীখিদবনি হায়রি। লুইঙম অমসুং মহাক্কী লোয়নবীনদি মখোয়গী মথক্তা শীরকখিবা মরাল অদু য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখোয়বু থাই পুলিসনা তাথি-তাওইনা তৌবিখি হায়না ফোঙদোকখি।

পান্বে লৈত্রবা মতৈ-মনাওনা য়ুনাইটেদ নেসন্স হায় কম্মিসন ফোর রেফ্যুজিস (য়ু এন ঐচ সী আর)দা ৱাকৎপদগী মখোয়বু কেনেদাদা থাখি। অদুবু কেনেদাদসু ইন্দিয়ন এম্বেসিনা মতিক চাবা মরম অমত্তা পীদনা লুইঙমগী পাসপোর্ট ফাজিনখি।

হীরম অসিগী মতাংদা দিল্লি হায় কোর্টনা হায়খি, পাসপোর্ট লৌশিনবগী থৌওং অদু মরম চাদে। গভর্ণমেন্টনা লুইঙম মতৈ-মনাওগী পাসপোর্ট খুদক্তা রিন্যু তৌফম থোকই। মপান লৈবাক্তা লৈরিবা ইন্দিয়ন মতৈ-মনাওদা পাসপোর্ট পীবিদবনা থোকহল্লিবা খুদোংচাদবা অসিগীদমক করিগুম্বা মওং অমত্তনা কম্পেন্সেসন পীবা ঙম্লোই। অথুবা মতমদা মতৈ-মনাওবু মরৈবাক্তা হলহন্দুনা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা পুন্না লৈমিন্নবা ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না হায় কোর্টনা ফোঙদোকখি।

কমরেদ বিরগী মপোক কুমওন ...

*লামায় ১গী মখা...*পার্টিগী লূচিংবা ওইরিবা জননেতা ইরাবত অমসুং লৈখিদ্রবা কমরেদ বির সেপ্টেম্বর থাবুম অসিদা পোকখি। কমরেদ বিরনা সেপ্টেম্বর ১৫দা মপোক কুমওন ওইরি।

ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা মরমদি কমরেদ বির কনানো হায়বসি পার্টিগী ৱার্করশিংদা অমসুং মীয়ামদা খঙহন্নবনি। কমরেদ বিরনা মীয়াম্না কম্ম্যুনিষ্ট বির হায়রগসু খঙনৈ। মীয়ামগী ওইবা খোঙজং কয়ামরুমদা লূচিংবা ওইখিবা মীশকনি। মীনা মীবু ওত্তবা, মান্নবা খুন্নাই অমা শেম্বা পামখিবা লৈবাক অসিগী লূচিংবা অমনি। মহাকপু ঐখোয় পূম্নমক নীংশিংবা অমসুং মহাক্কী মফমদা লৈমনা অমত্তং কৎপা ফংবসি লাইবক ফবনি।

কমরেদ বিরগী মতিক ময়াই শৈথারদুনা মহাক্লা হায়খি, মহাক জননেতা হিজম ইরাবতকী তুংইনবা রেভল্যুসনরি অমনি। নুপী কৈথেল শেমগৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

লমদম অসিগী নুপীশিংগীদমক খোঙজং চঙশিনবদা মহাক জেলদা কয়ারক হন্না লৈখি। কমরেদ বিরনা মণিপুরী লোল ৮শুবা সেদ্যুল্ডদা চলহন্নবা হোৎনবা অমসুং আইন সভা লিংগদবনি হায়বা লময়ানবা ইরাবতগী খোল্লাউগী মতুং ইল্লকপা মীশকনি।

সী এমনা রিদ্রেসেল সেল হাঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫: চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটতা ঙসি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না গ্রিভান্স রিদ্রেসেল সেল (জি আর সী) হাঙদোকখ্রে।

মীয়ামগী ৱাকৎ অমদি হায়নিংবা কয়া হায়বদা খুদোংচানবগীদমক সেল অসি হাঙদোকখিবনি। মীয়ামগী নুমিৎ অমদি চীংগী লীদরশিংগী নুমিৎতা সবমিট তৌখিবা এপ্লিকেসনশিংগী ষ্টেটস অদু সেল অসিদা ওফিস আৱরগী মতমদা টেলিফোন তৌদুনা হংবা য়াগনি। সেল অসিগী ওফিস আৱর মতম অসি কালেনদা অয়ুক পুং ৯.৩০ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা, নীংথমথাদনা অয়ুক পুং ৯.৩০ দগী নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবনি। টোল ফ্রি নম্বরনা ১৮০০-৩৪৫-৩৮১৮ নৎত্রগনা grievances.cmo-@gmail.com. দা কন্টেক তৌবা য়াগনি। মীয়াম্না মশা মশাগী ওইবা ৱাকৎ কয়া নম্বর অসিদা হায়রকপসু য়াগনি হায়নসু চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

রাধেশ্যামনা ৱাইখোম মনি গার্লস কোলেজগী স্পোর্টস হোষ্টেল শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫(ঐচএন এস): থৌবালদা ঙসি এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যামনা ফমুং ৫০ থাবা ৱাইখোম মনি গার্লস কোলেজগী স্পোর্টস হোষ্টেল শঙ্গাখ্রে।

তোঙান তোঙানবা মশান্না কয়াদা শান্নরিবা কোলেজ অসিগী নুপী মহৈরোয়শিং লৈহন্নবগীদমক য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কম্মিসনগী শেন্থং মখাদা হোষ্টেল অসি শাখিবনি।

শঙ্গাবগী থৌরমদা মিনিষ্টরনা হায়খি, এদ্যুকেসনগী লমদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা নহারোল কয়া লম্মখাঙদা মহৈ তম্বা তোকখিবগী থৌওং থিংনবগী মতাংদা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই। করি মরমগী মহৈরোয়শিংনা মহৈ তম্বা তোকখ্রিবনো হায়বদু চপ চানা খঙদোক্লবগীদমক সর্ভে অমা পাঙথোক্লে।

ওজাশিংনা লৌরিবা থৌদাংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, কোলেজ অসিগী নুপীমচাশিংবু মশক থোকপা মীওই অমমম ওইহন্দুনা মীয়ামদা খুদম ওইনা উৎনবা হোৎনবদা পুক্নিং থৌগৎপীগদবনি।

পুজা ভেকেসনগী কোর্ট ছুটি ওইগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫(ঐচএন এস): হায় কোর্ট ওফ মণিপুর সেপ্তেম্বর ২১ দগী ২৯ ফাওবা পুজা ভেকেসনগী ছুটি ওইগনি। পুজা ভেকেসন মনুংদা লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ২৫ দা সিট্টিং অমুক লৈগনি। জষ্টিস কেঐচ নোবিন্না সিঙ্গল বেঞ্চ মেটরশিংগী ভেকেসন কোর্ট অদু য়েংশিনগনি।